## ‘ব্রেক্সিটকী মতম য়েথোক্লোই’

লন্দন, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
ব্রেক্সিটকী মতম শাংদোক্লবা ঈ য়ুদা হায়জবা তৌরোই হায়না বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খ্রে। করিগুম্বা মহাক্না ঈ য়ুগা দিভোর্স দিল অমা য়ানবা ঙমদবা তারবদি বৃটেন্না ব্লোক অদুবু থাদোকপগী মতম কুমজা ২০২০ ফাওবা চোম্থনবগী ৱাফম য়াওবা লো অমা পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংনা নমদুনা চৎনহনখিবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## ক্রোস-বোর্দর পাইপলাইন হাংখ্রে

কাথমন্দু, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা সাউথ এসিয়াগী অহানবা ক্রোস-বোর্দর ওইল পাইপলাইন লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসল ওইনা হাংদোকখ্রে। ওইল পাইপলাইন অদু চাইনানসু চঙশিন্নবা কন্না হোৎনরিবা হিমালয়ন নেসন অদুদা ন্যু দিল্লিনা হান্না পীদুনা লাকখিবা ইথিল হেনগৎনবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইরিবা প্রোজেক্ট অমনি হায়না লৌনরি।

## নোর্থ কোরিয়ানা ৱারী মখা চত্থবা পাম্মী হায়না-হায়না ইনৌ নৌনা প্রোজেক্টাইল কয়া কাপখ্রে



সিওল, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়ানা ইনৌ নৌনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সোর্ট-রেঞ্জ প্রোজেক্টাইল কয়া কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা লোঞ্চশিং অদু প্যোংয়াংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মতম শাংনা লেপ্পল্লকবা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী মখা চত্থনিংবগী অপাম্বা ইনৌ নৌনা ফোঙদোকখিবা মতুং পুং খরখক্কী মনুংদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

প্রোজেক্টাইল লোঞ্চশিং অদু সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা অয়ুক অঙনবদা দিটেক্ট তৌখিবনি। মখোয়না প্রোজেক্টাইলশিং অদু সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইলশিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা য়ানবা মতম অমসুং মফম লেপ্পগা সেপ্তেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱাফমগী মতাংদা মপুং ফানা খন্ন-নৈনবা পাম্মী হায়না লৈবাক অসিগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর চো সোন হুইনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমা ষ্টেট মিদিয়া ফোঙখিবা মতুং পুং খরখক্কী মনুংদা লোঞ্চশিংদু পাঙথোকখিবনি।

চোনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হন্দক্কী মতাংদা ৱারী শান্নবদা মরক্তা কায়দনবা অনৌবা মাইওল অমদা লাকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। অমরোমদা, য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন অমনা নোর্থ কোরিয়ানা পল্লক্লিবা মতম অদুদা লৈবাক অসিগা য়ু এস এগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈতে হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী মখা চত্থবা পাম্মী হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়াগা মওং খরদা মরী লৈনবা সাউথ কোরিয়াগী কন্সট্রক্সন ফার্মশিংগী স্যের ভেল্যুশিং ৱাংখৎখি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা হৌখিবা জুনদা কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈবা দিমিলিটরাইজ জোন (দি এম জেদ) দা উন্দুনা লুচিংবা অনীনা ফেব্রুৱারি থাদা ভিয়েটনামদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট মায় পাকখিদবদগী লেপ্তুনা লাকখিবা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী নিগোসিএসন্স মখা চত্থবগী ৱাফম য়ানখিবনি। দি এম জেদতা উনখিবা অদুদগী অমেরিকান ওফিসলশিংনা নোর্থ কোরিয়নশিংগা ৱারী মখা চত্থনবা হোৎনখিবা পুন্নমক অরেম্বা তাদুনা লাকখিবনি।

## ‘সেফ জোন লিংবদা ৱাশিংটননা পন্থহল্লে’



অঙ্কারা, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা সেফ জোন অমা শেম্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা থবক্তা ওন্থোকপদা ৱাশিংটননা পন্থহন্দুনা লৈরে হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরর মেভলুট কভুসোগ্লুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নাটোদা য়াওবা মীচংশিং ওইনরিবা লৈবাক অনীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লমদম অদুদা মখোয়গী অহানবা জোইন্ট মিলিটরি পেট্রোল কংফালদা পাঙথোকখি। টর্কিনা ওপরেসনশিং অদু য়াম্না থুনা পাকথোক চাওথোক্লা পাঙথোকপগা লোয়নননা কর্দিস ফোর্সশিংবু বোর্দরদগী কিলোমিটর ৩২ রোম তকথোক্লগা থমদুনা সেফ জোন অমা শেম্বা পাল্লিবনি। সেফ জোন অদু টর্কিস ট্রুপশিংনা কন্ত্রোল তৌগদবনি হায়নসু অঙ্কারানা হায়রি।

ফোরেন মিনিষ্টর কভুসোগ্লুনা হায়খি মদুদি, টর্কিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা থবক তৌমিন্নবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং তঙাইফদ্রবদি মফম অদুদা লৈরিবা কর্দিস ৱাই পি জি ফাইটরশিং টর্কিস ফোর্সখক্তনা তকথোক্লবসু শেম শারে। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, য়ু এস ট্রুপশিং অমসুং টর্কিস ট্রুপশিংগী মরক্তা জোইন্ট পেট্রোল খরা পাঙথোকমিন্নবা নত্তনা অতৈদি মমিংগী ওইবা থবক ঙাক্তনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পন্থহন্নবগী প্রোসেস অমা চত্থদুনা টর্কিবুসু অসিগুম্বা থৌওং অসিদা হৈনহন্নবা মখোয়না হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## খুৎ থিংজিল্লক্তনবা হোং কোংগী লিদরনা ৱার্নিং তৌখ্রে



হোং কোং, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক-লান্থোকশিংদা ফোরেন পার্লিয়ামেন্টশিংনা খুৎ থিংজিল্লকপা হায়বসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোং সিটিগী লিদরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ইরাং হেনগৎহনবনা সিটি অদুগী সোসল ইশ্যুশিং লৈখায় তাহনবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখ্রে।

হান্নগী বৃটিশ কোলিনি অদুদা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসকা কন্না মুক্নখিবা মতুংদা ৱা ঙাঙলদুনা সিটি অদুগী বৈজিংনা শৌগৎলিবা লিদর কেরি লাম্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পুলিসকা মুক্নখিবা অদুদা প্রোটেষ্টরশিংদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপখি। অমরোমদা, প্রোটেষ্টরশিং অদুনা থোঙনাও কয়া থুগায়বগা লোয়নননা লম্বীশিং মফম কয়াদা মৈ থাখি। হোং কোং সিটিবু চাইনাগী স্পেসল এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজন অমনি হায়বগী ইঙ্গিৎকা লোয়নননা লাম্না হায়খি মদুদি, ঐচ কে এস এ আরগী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা ফোরেন পার্লিয়ামেন্টশিংনা খুৎ থিংজিল্লকপা হায়বসি অদুক্কী মতিক মরম চাদে। ঐখোয়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ঐচ কে এস এ আরগী ৱাফমশিংদা ষ্টেকহোল্ডর ওইহল্লোই।

হৌখিবা নোংমাইজিংদা হোং কোংদা লৈবা য়ু এস কোন্স্যুলেটতা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা অমেরিকান ফ্লেগশিং পায়দুনা হাইখিবা দিমোন্সট্রেটর লিশিং কয়ানা সিটি অদুদা দিমোক্রেসি পুরকপদা মতেং পাংনবা আপিল তৌখি। প্রোটেষ্টরশিংনা য়ু এস কোংগ্রেসতা হোং কোংবু মেনলেন্দ চাইনাদগী মতিক চাবা মওংদা ওটোনোমস ওইনা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু চহী খুদিংগী ৱাশিংটন্না য়েংশিনবা চঙবা লেজিসলেসন অমা পাস তৌনবা আপিল তৌখিবনি।

## অফঘানিষ্টানগী লান লেপ্পবগী ৱারী খঙহৌদনা লেপ্পগী মতাংদা ৱাশিংটননা শেংদোরক্লবা টালিবাননা তকশিনখ্রে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
অফঘান কেপিটেল কাবুলদা চত্থখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা অমেরিকান লান্মী অমা য়াওনা মীওই ১২ শিখিবা মতুংদা ৱাশিংটন্না টালিবানগা চত্থরক্লিবা পিছ নিগোসিএসন্স লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবগী মতাংদা শেংদোরক্লবা অফঘান লালহৌবা গ্রুপ অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তকশিনখ্রে।

কটরগী কেপিটেল দোহাদা লৈবা টালিবানগী পোলিটিকেল ওফিসগী স্পোক্সপর্সন অমা ওইরিবা সুহাইল সহিননা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসকা পাউ ফাওনবগী লম্বী খুদিংমক হৌজিকসু মখা তানা হাংদুনা লৈরি অমসুং মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা অমেরিকান নিগোসিএটরশিংগা ঈ-পাউ ফাওনরি।

ঐখোয়না মখোয়দা ঐখোয়গী মেসেজ থাখিবগা লোয়নননা মখোয়নসু পাউখুম পীরক্লগনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগী মখোয়দা ওফিসল ওইবা শেংদোক ৱারোল অমা পীরক্লবা খঙহনখ্রবা মতুংদা মখোয়গী পাউখুম ঙাইরি হায়না সহিননা য়ু ট্যুব চেনেল অমদা ফোঙখিবা ভিদিও মেসেজ অমদা ফোঙদোকখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খঙহৌদনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱাশিংটনগী নক্লনা লৈবা মরিলেন্দগী মনুং চনবা প্রসিদেন্সিএল রিট্রিট কেম্প দেভিদতা টালিবান অমসুং অফঘান গভর্নমেন্টগা লোন্না পাঙথোক্লবা লেপখিবা মীফম অমা খঙহৌদনা কেন্সেল তৌখিবগা লোয়নননা মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা পিছ টোক অদু শিরবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। লানগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদগী য়ু এসকী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌবগী মতাংদা নাকল অনীনা দ্রাফট এগ্রীমেন্ট অমা য়ানখিবা লৈখ্রে।

## ম্যান্মারগী রোহিঙ্গা ভিলেজশিং মাঙহন-তাকহনখি : রিপোর্ট



য়াঙ্গোন, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটকী মুস্লিম রোহিঙ্গাশিংগী ভিলেজ পুম্নমক মাঙ-তাকহনখিবগা লোয়নননা মফমশিং অদুদা পুলিস বরেকশিং, গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিং অমসুং রেফ্যুজিশিং লৈহন্নবগী কেম্পশিং ওইনা থমজিনখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বি বি সীগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টগী অয়াবগা লোয়নননা চৎখিবা টুর অমদা বি বি সীনা মতম অমদা রোহিঙ্গা সেট্টলমেন্টশিং ওইরম্বা মফম মরিদা সিক্যুর ফেসিলিটিশিং শেমগৎ-শাগত্তুনা লৈরে হায়বসি উবা ফংখি। সেট্টলাইট ইমেজশিংনা মফমশিং অদু রোহিঙ্গা মাইনোরিটি মুস্লিমশিং তারম্বা মফমশিংনি হায়বসি খঙবা ঙমখিবনি। তৌইগুম্বসুং ম্যান্মারগী ওফিসলশিংনদি ভিলেজশিং অদুদা গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিং শাজিল্লি হায়বা ৱাফমশিং য়াখিদে।

কুমজা ২০১৭ দা রখাইন ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা মাইনোরিটি লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা অকনবা কেম্পেয়ন অমদা লমদম অদুদগী রোহিঙ্গা ৭০০,০০০ হেন্না ম্যান্মার থাদোক্তুনা য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেনখিবনি। য়ু এননা ম্যান্মার মিলিটরিগী থৌওং অদুবু কাঙলুপ অমবু তোরা তুনা হাৎনবা হোৎনবগী থৌওংনি হায়না তত্তনা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু ম্যান্মারনদি ট্রুপশিংনা পাক শন্না মীহাৎ-মীপুনশিং চত্থখি হায়বা য়াদ্রি।

মেজোরিটি বুধিষ্ট লৈবাক অমা ওইরিবা ম্যান্মারনা লৈবাক অসিগী ট্রুপশিংনা কাঙলুপ অমবু অতম্নমা মুত্থৎনবা হায়দুনা হাৎপা তুপ্পগী থৌওংশিং চত্থবা লৈতে হায়না মখা তানা ফোঙদোকপগা লোয়নননা হৌজিক্তি রেফ্যুজি লৌশিন্নবা শেম শারে হায়না লৈবাক অসিনা লাউথোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা থাদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংবু বাংলাদেশতগী ম্যান্মারদা পুরক্লবা অনীরকশুবা ওইনা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদে।

## মুগাবেগী হকচাং লৌরুনবা জিম্বাবৱেগী টিম সিঙ্গাপোর পাংখ্রে



হরারে, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
জিম্বাবৱেগী লৈখ্রিদবা হান্নগী প্রসিদেন্ট রোবার্ট মুগাবেগী হকচাং লৌরুনবগীদমক্তা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং মরী-মতাশিং তোংবা প্লেন অমা লৈবাক অসিদগী সিঙ্গাপোর পাংখ্রে, অদুবু হান্নগী লিদর অসি মফম কদায়দা লৈরোল চনগদগে হায়বগী মতাংদা হৌজিকসু লৈখায় তাদনা লৈরি হায়না ইমুং-মনুংগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টনা মুগাবেগী হকচাং অদুবু কেপিটেল হরারেদা লৈবা নেসনল হিরোজ একর মোন্যুমেন্টদা লৈরোল চন্নবগী থৌরাং লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী ইমুংগী মীওইশিংনা য়ানিংদবগা লোয়নননা মখোয়না মহাকপু মহাক্কী পোক্লফম খুঙ্গংদা ওইনা লৈরোল চনবা পাম্মী হায়না মহাক্কী মরী-মতাশিংনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা জিম্বাবৱেগী লুচিংবা অদুগী মচিন-মনাওশিং অমসুং ফেমিলি স্পোক্সমেন ওইরিবা লিও মুগাবেনা চার্টর প্লেন অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ হেক তাবগা সিঙ্গাপোরগীদমক কেপিটেল হরারে থাদোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না মুগাবেগী হকচাং অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা জিম্বাবৱেদা থুংলগনি হায়বগী থাজবা লৈ। তৌইগুম্বসুং রোইটর্সনা মুগাবেগী হকচাং কদায়দা লৈরোল চনগনি হায়না তকশিন্দুনা হংখিবদা লিও মুগাবেনা চপ চাবা পাউখুম অমা পীবা ঙমখিদে।

লৈখিদ্রবা মুগাবে চীফ অমাওইরম্মী। মহাক মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবীগী মতুং ইন্না লৈরোল চনগনি। চীফশিংনা হৌজিক ফাওবা ঐখোয়দা মহাক কদায়দা ফুমগদগে হায়বগী মতাংদা খঙহল্লক্তবনা মরম ওইদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না করিমত্তা হায়বা ঙমদে হায়না লিওনা মখা তাখি। পনবা য়াবদি, জিম্বাবৱেগী মফম খরদদি চীফশিংবু লৈরোল চনবা হায়বসি অরোনবা থবক থৌরম অমা ওইবনা থৌরম পাঙথোক্লবা মতুং খক্তদা মীয়ামদা লৈরোল চনফম অদু খঙহনবগী চৎনবী লৈ।

## টালিবান্না অফঘান দিষ্ট্রিক্ট অনী পায়শিনখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা লান শোক্লরকখিবা মতুংদা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টানগী টখর প্রোভিন্সকী দিষ্ট্রিক্ট অনী পায়শিনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবান মিলিটেন্ট চা কয়ানা নুমিৎ মরিনিগী মমাংদা টখরদা এটেক তৌদুনা মখোয়গী লান হৌখি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মখোয়গা কন্না লান্থেংনরকখিবগা লোয়না মখোয়বু তকথোক্লবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না অঙম্বা পাঙ্গল পুম্বা শীজিন্নদুনা য়াংগি-কলা অমসুং দকট দিষ্ট্রিক্টশিং খুদম চনখি। টখর গভর্নমেন্টগী স্পোক্সমেন অমনা মীচমদা শোক্তনবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা হন্দোকপনি হায়খি।

## লাম্মৈ চাকপদগী মীওই চা কয়া হোংদোকহনখ্রে

কানবেরা, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ামদ্রবদা অচৌবা নারক মোংশোং মফম ১৩০ মৈ চাক্লকখিবগা লোয়নননা মীওই ৪০০ রোম ময়ুম ময়ুমদগী শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বিন্সলেন্দগী এক্তিং প্রেমিয়র জেকি ট্রাদনা ফোঙদোকখিবদা, পোৎ-চৈ নৎত্রগা লন-থুম খরখক মাঙহন-তাকহনবা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা পাক শন্না লাম্মৈ চাক্লিবা অদুনা মীশি-মীনা অমত্তা থোকহন্দ্রিবসি অঙকপা অমনি। মতম শাংনা নোং তাবগী চাং য়াম্না ৱাত্তুনা লাকখিবা ক্বিনলেন্দ খক্তদা মফম ৮০ হেন্না লাম্মৈ চাক্লিবদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা ফয়ার ফাইটর ১০০০ রোম শীজিন্নরি।




HL-P/4201/11



রা.ই.সূ.প্রৌ.সং NIELIT

### এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফাল

(মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোরমেসন টেক্নোলোজি (এম ঈ আই টি ৱাই),
গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওটোনোমস সাইন্টিফিক সোসাইটি)
অকাম্পাৎ, পোষ্ট বোক্স নম্বর ১০৪, ইম্ফাল - ৭৯৫০০১, মণিপুর

**সোর্ট টার্ম কোর্সশিংগী - ২০১৯ (সেপ্তেম্বর অমসুং ওক্তোবর)গী এদভরটিজমেন্ট**

| Sl. No. | Name of course | Duration | Timing | In-Take | Eligibility | Normal Fee (Rs) | Date of starting |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Certificate Course in Embedded System and IoT (Internet of Things) **Course Contents:** Embedded C, NodeMCU, AVR(Arduino), Raspberry Pi | 5 weeks (80 hrs ) | 2:00 p.m to 5:00 p.m | 20 | Passed or Undergoing B.Tech/ BCA/ B.Sc (Physics /Electronics)/ Diploma in Electrical/ Electronics/ Computer Science | 4050/- (Concession for NIELIT students are available) | 23rd Sept, 2019 |
| 2 | Certificate Course in Financial Accounting Using Tally ERP 9.0 | 8-weeks (80 hrs) | 7:00 a.m to 9:00a.m. 3:00 p.m to 5:00 p.m | 30 30 | XII passed with Computer Knowledge | 3540/- | 9th Oct 2019 |
| 3 | Advanced Diploma in Computer Application Accounting and Publishing **(ADCAAP) NSQF ALLIGNED COURSE** | 200 hrs | 7:00 a.m to 9:00 a.m. 3:00 a.m to 5:00 a.m. | 30 30 | XII Passed | 9345/- | 9th Oct. 2019 |
| 4 | Certificate Course on Computer Concepts **(Specially arranged on SATURDAY & SUNDAY)** | (80 hrs) | 10:00 a.m. to 1:00 p.m. | 30 | Knowledge of English | 4050/- | 21st Sept. 2019 |
| 5 | Certificate Course on Computer Concepts | 8 weeks (80 hrs) | a) 7:00 a.m to 9:00 a.m b)3: 00 p.m to 5:00 p.m | 60 60 | Knowledge of English | 4050/- | 23rd Sept. 2019 |
| 6 | Certificate Course in Programming through C Language /C++Programming | 8 Weeks (80 hrs) | 2:30 p.m to 4:30 p.m | 30 | Knowledge of Computer | 4050/- | 23rd Sept 2019 |

**এদমিসনগী অরোয়বা তারিখ, সেপ্তেম্বর ২০, ২০১৯ (ইরাই)**
**সেরিএল নম্বর ৩ দগী ৬ ফাওবগী এস সী/এস টি কেন্দিদেটশিংগীদমক ফি লৌরোই, অদুবু লুপা ১০০ গী প্রোসেসিং ফিদি লৌগনি।**
এপ্লিকেসন অদু ওনলাইন্দা http://14.139.207.251:8080 or www.nielit.gov.in/imphal/content/admission-new দা পীশিনগদবনি নৎত্রগা থবক শুবা নুমিৎশিংদা (নিংথৌকাবদগী ইরাই) অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা এদমিসন ওফিসকা পাউ ফাওনবীয়ু। **সী সী সী সার্টিফিকেট দাউনলোদ তৌনবগীদমক চঙবীয়ু :** http://student.nielit.gov.in

টি ঐচ প্রামেশ্বর সিংহ
এগজিক্যুটিব দিরেক্টর

davp 06150/11/0001/1920